### ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# রফেল লেআওগী গোলগী মতেংনা পোর্টুগলনা ঘানাবু ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে



কটার,নভেম্বর ২৪ (এজেন্সী): রফেল লেআওনা শান্নবগী ৮০শুবা মিনটতা চনখিবা গোলগী মতেংনা পোর্টুগলনা ঘানাবু ৩-২দা ঙসিনুমিদাং ষ্টেদিয়ম ৯৭৪দা শান্নখিবা গ্রুপ এইচকী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। অনীশুবা হাফতা পোর্টুগলগী ফংখিবা পেনাল্টি অমা ক্রিষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা পোর্টুগলগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা এন্দ্রি এয়ুনা শান্নবগী ৭৩ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা লৈহনখি।

এটলেটিকো মেদ্রিদকী ফোরৱার্ড জোআও ফেলিক্সনা শান্নবগী ৭৮ শুবা মিনটতা পোর্টুগলগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা মিনট ২গী মতুংদা রফেল লেআওনা পোর্টুগলগী মায় পাকপগী মরুওইবা গোল চনবা ঙমখি।

ওস্মান বুকারিনা শান্নবগী ৮৯ শুবা মিনটতা ঘানাগী গোল ১গা হাপচিন্দুনা পোর্টুগলগী মখূৎতা ২-৩দা মায়থীখিবনি।

অমরোমদা, অল জানোব ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ জিগী মেটচ অমদা ব্রিল এম্বোলোনা চনখিবা গোল অমগী মতেংনা স্বিটজরলেন্দনা কেমরুনবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

চহী ২০ হেন্না ৱর্ল্ড কপতা মায় পাকপা ঙমদনা লাকখিবা কেমরুননা অহানবা হাফতা খূদুম চন্না শান্নখি অমদি গোল চনবায়াবা তাঞ্জা কয়া অমসু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা অরেম্বা তাখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ স্বিটজরলেন্দগী জেরদান সাকিরিনা পীরকপা পাস অমগী মতেংদগী এম্বোলোনা গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ৪৮ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী মরুওইবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তাবা কেমরুনগী মায়কৈদগী গোল হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা এটেক কয়া চথুখি অদুবু গোল ওন্থোকপা ঙমদবদগী অরেম্বা তাখিবগা লোয়নন্না ০-১দা স্বিটজরলেন্দগী মখূৎতা মায়থীহৌখিবনি।

মায় পাকখিবা স্বিটজরলেন্দনা ব্রাজিলগা নিংথৌকাবা নুমিৎতা অদুগা কেমরুননা সর্বিয়াগা নুমিৎ অসিমক্তদা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা, নোংয়াই মতুং অহমদ বিন অলি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ এফকী মেটচ অমদা বেলজিয়মনা কানাদাবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মিকি বেটস্বিনা কানাদাগী দিফেন্দর অনী নাথৈরল্লগা পুশিল্লকখিবা বোল অমা গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ৪৪ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী মরুওইবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিগী শান্নবা হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা কানাদাগী ফংখিবা পেনাল্টি অমা অলফোন্সো দেভিসনা কাওরকখিবা স্পোট কিক্ অদু বেলজিয়মগী গোলকিপর থিবোট কোটিয়সনা নীংথিনা ঙাকথোক্তুনা অরেম্বা তাহনখি।

অতোপ্পা ঙসি নুমিদাংৱাইরম এদ্যুকেসন সিটি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ এইচকী মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়া অমদি উরুগুৱে গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

**TODAY'S MATCHES**

| | |
|---|---|
| GRP-B - Wales vs Iran | (3:30 PM) |
| GRP-A - Qatar vs Senegal | (6:30 PM) |
| GRP-A - Netherlands vs Ecuador | (9:30 PM) |
| GRP-B - England vs USA | (12:30 AM) |

### ১৪শুবা মণিপুর ইন্টরনেসনল পোলো

# য়ু এস এনা ইন্দিয়ন নেভি, য়ু কেনা ইন্দিয়া-এ মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ২৪(ঐচএনএস): মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসনন্না শীন্দুনা চথরিবা ১৪শুবা মণিপুর ইন্টরনেসনল পোলো টুর্নামেন্ট ঙসি ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা শান্নখিবা মেটচ অনীদা য়ু এস এ অমদি য়ু কে পোলো টিম মায় পাকখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা য়ু এস এনা ইন্দিয়ন নেভি পোলো টিমবু ১৩-৬তা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা চক্করগী শান্নবদা গোল ২/২ চনবা ঙম্মখি। য়ু এস এগী মায়কৈদগী ৱিল বোলেন্ট অমদি জে পি ভাস্কিজনা চনখি। অদুগা ইন্দিয়ন নেভিগী মায়কৈদগী অলটাফ খাননা অনীমক চনখি।

অনীশুবা চক্করদা য়ু এসকী কেপ্টেন জোর্জ ভাস্কিজনা গোল ২ অদুগা জে পি ভাস্কিজনা গোল ১ চনখি। ইন্দিয়ন নেভিগী মায়কৈদগী কেপ্টেন এ পি সিংহ অমদি এ কে পঞ্চালনা অমমম্ চন্দুনা স্কোর ৪-৫দা অনীশুবা চক্কর লোইবা ফাওবদা লৈখি।

অহুমশুবা চক্করদা য়ু এসকী নিক ফেল্ডমেন অমদি ৱিল বোলেন্টনা গোল ২/২ হাপচিনবা ঙমখি। অদুগা ইন্দিয়ন নেভিগী মায়কৈদগী কেপ্টেন এ পি সিংহনা গোল ২ হাপচিনখি।

অরোইবা চক্করদা য়ু এসনা খূদুম চন্না শান্নখিবগা লোয়নন্না ৱিল বোলেন্টনা গোল ৪ হাপচিন্দুনা ইন্দিয়ন নেভিবু ১৩-৬তা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা য়ু কে পোলো টিমনা আই পি এ (ইন্দিয়া-এ)বু ৯-৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

য়ু কেগী শান্নরোয়শিংনা অহানবা অমদি অহুমশুবা চক্কর খূদুম চন্না শান্নখি। অদুগা অনীশুবা অমদি মরিশুবা চক্করদা টিম অনীগী মায়কৈদা গোল ৪/৪ চনবা ঙম্মখি।

জেক টক্করনা অহানবা চক্করগী ১.০৫দা য়ু কেগী অহানবা গোল চনখি। হেরি টক্করনা ইকান কান্নদনা শান্নবগী ১.২৭তা য়ু কেগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা চক্করদা গোল ২ অমদি অরোইবা চক্করদা গোল ১ হাপচিনবা ঙমখি। ফিল্ড সেলরনা অহানবা চক্কর লোইরমদাই ৭.২৯দা য়ু কেগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা চক্করদা গোল অমমম্গা হাপচিনবা ঙমখি। টিম কেপ্টেন জোর্জ অমোরনা অহুমশুবা চক্করদা য়ু কেগী মায় পাকপগী ৬শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

টিম কেপ্টেন মেজর অমননা অনীশুবা চক্করগী ৬.০৪দা ইন্দিয়া-এগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা চক্কর অসিমক্কী ৬.৫৪দা রন্সে পুরোহিটনা অনীশুবা গোল চনখি। সয়দ হর অলিনা ৪শুবা চক্করদা ইন্দিয়া-এগী অহুমশুবা অমদি মরিশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

### অহানবা চীফ মিনিষ্টর সগোল কাংজৈ

# মণিপুর পুলিসনা তেন্থা পোলো ক্লবকা ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল,নভেম্বর ২৪(ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন (অম্পা)না শীন্দুনা চথরিবা অহানবা চীফ মিনিষ্টর সগোল কাংজৈ চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেলদা মণিপুর পুলিস পোলো টিম অমদি তেন্থা পোলো ক্লবনা থা অসিগী ২৭তা লম্বা তৌনরগনি।

কংলাগী মনুং কাংজৈবুংদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা মণিপুর পুলিস পোলো টিমনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসনবু ২৪-১০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

পুলিস টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু হৈক্রুজম অবুং খুমন অমদি সলাম অবুংচানা ৮/৮, বাইকিং সলাম অমদি তেন্সুবম রোশননা ৩/৩, এস বিমোলনা ২ চনবা ঙমখি। ইম্ফাল ইষ্টকী গোলশিং অদুনা ওক্রম রোজরনা ৫, লাইফ্রাকপম কোকেশ্বর অমদি থোকচোম জেকোবনা ২/২, উমেশ গুরুংনা ১ চনখি।



অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা তেন্থা পোলো ক্লবনা পেরাদাইজ ক্লব ৱাঙ্খেবু ১৭-৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

তেন্থা ক্লবকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু হৈক্রুজম মুহিন্দ্রো অমদি সোইবম সোভানা ৪/৪, খুন্দ্রাকপম তোম্বী অমদি লাইশ্রম রবিকান্তনা ৩/৩ , মোইরাংথেম মনিহারনা ২ অমদি সোইবম রঞ্জিৎনা ১ চনখি। পেরাদাইজ ক্লবকী গোলশিং অদুনা কোঞ্জেংবম সমানন্দনা ২ অদুগা কোন্সম প্রেমকুমার অমদি থাংজম ভগৎকুমারনা অমমম্ চনখি।

মেটচ অনীমক ঐচ রাজেন্দ্রোনা হন্ত্রে হুনবা অমদি এস কুমারনা কাংবুরেল ওইনা শরুক য়াখি।

### খেলো ইন্দিয়া ৱিমেন্স ৱুশু লীগ (নোর্থ ইষ্ট জোন)

# ৱাই ইচনতোম্বীনা গোল্ড মেদল ৩ লৌখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ২৪(ঐচএনএস): মণিপুরনা য়ূম্ব ওইদুনা সাই তাকয়েলগী ন্যু এম পি হোলদা চথরিবা খেলো ইন্দিয়া ৱিমেন্স ৱুশু লীগ (নোর্থ ইষ্ট জোন)গী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা মণিপুরনা গোল্ড ৮, সিলভর ৬ অমদি ব্রোঞ্জ ৭ পূন্না মেদল ২১ লৌবা ঙমখি।

মণিপুরনা হৌজিকফাওবদা গোল্ড মেদল ১৯ য়াওনা পূন্না মেদল ৪৯ ফংবা ঙমখ্রে।

ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা ৱাই ইচনতোম্বীনা সিনিয়র কাঙলূপকী চংক্কান, জিয়াম্সু অমদি কিয়াম্সু ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ৩; পুস্পানা সিনিয়র কাঙলূপকী টাইজিজিয়ান অমদি টাইজিক্কানদা গোল্ড ২ অদুগা ৱাইইনুংঙানবী, এন অহেনবী অমদি প্রিয়াঙ্কানা সব-জুনিয়র কাঙলূপকী চংক্কান, জিয়াম্সু অমদি কিয়াম্সুদা গোল্ড মেদল অমমম্ লৌবা ঙমখি।

দল্লিয়ু নিংথিবীনা সিনিয়র কাঙলূপকী জিয়াম্সু, চংক্কান অমদি কিয়াম্সুদা সিলভর মেদল ৩ অদুগা এল জেনিনা সিনিয়র বাগুৱাজাংদা সিলভর অমা অমদি এম অহেনবীনা সব-জুনিয়র কাঙলূপকী চংক্কানদা সিলভর মেদল অমা ফংবা ঙমখি।

রেকিম বালেনা সিনিয়র চংক্কান, অরিতানা সিনিয়র ননদাও, টি প্রিয়ানকানা অমদি লনচেনবীনা সব-জুনিয়র চংক্কান, ৱাই ইনুংঙানবীনা সব-জুনিয়র জিয়াম্সু অমদি কিয়াম্সু, এন অহেনবীনা সব-জুনিয়র কিয়াম্সু ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

# ষ্টেট ইন্দিজিনস রেষ্টলিং হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ২৪(ঐচএনএস): সঙাই ফেষ্টিভেলগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর ষ্টেট ইন্দিজিনস রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ ২০২২ য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সেনাপটিগী মিনি ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসি সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট রেষ্টলিং এসোসিএসন মণিপুরনা শীনবনি। অদুগা মখ্রেলুই ভিলেজনা হোষ্ট ওইদুনা পাঙথোকপনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা পূন্না মীওই ৬০না শরুক য়ারি।

### অহানবা এম এন সী এ ৱিমেন্স য়ু-১৯

# সেটর্নিগী সেঞ্চুরি, নিরুতাগী হাফ সেঞ্চুরিনা থাও চাওনা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ২৪(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনন্না শীন্দুনা পাৎসোইগী পি টি আর সী গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা এম এন সী এ ৱিমেন্স অন্দর-১৯ ৱান দে ট্রোফি ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা থাও থাংমৈবন্দনা পি টি আর সী পাৎসোইবু রন ১৫৪দা মায়থীবা পীখ্রে।




থাও থাংমৈবন্দনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ৩৫দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ৩০০ লৌবা ঙমখি। থাংমৈবন্দগী বেটসমেন সেটর্নি ব্রহ্মচারিময়ুমনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ১০০দা রন ১০৯, নিরুতা থৌদামনা বোল ৪৯দা রন ৯৭, সেলিনা ইরেংবমনা বোল ২৩ অমদি বন্তি খোইবমনা বোল ১৭তা আউট ওইদনা রন ১৯/১৯ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা পি টি আর সীগী বেটসমেনশিংবু থাংমৈবন্দগী বোলরনা অপীবা ওভর ৩৫দা ৱিকেট লোইনা লৌদুনা অপীবা টার্গেট য়ৌবা ঙমদনা রন ১৪৬ লৌদুনা থাংমৈবন্দ টিমগী মখূৎতা রন ১৫৪দা মায়থীখি।

লোইশিল্লকপদা অনীশুবা ইন্নিংসকী থাওগী বোলিংদা ওভর ৭ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌখিবী অমদি অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ৪৯দা রন ৯৭ লৌখিবী নিরুতা থৌদামনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

# কে এ এল ৱাই সী, এস জে সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ২৪(ঐচএনএস): সেকমাইগী এস কে ৱাই সী গ্রাউন্দদা চথরিবা ৫শুবা মনি থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা কে এ এল ৱাই সী চজিং করাম্না এম এস সী মালোমবু ৭-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

চজিং করাম টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সন্তোশ অমদি পারিঙানবনা ২/২ অদুগা স্রিনিভাস খ্বাইঙানবা অমদি শ্যামসুন্দরনা অমমম্ চনখি। মালোমগী গোল ২ অদুনা এম সিলভাস অমদি ও লিকননা চনখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস জে সী সলামনা ক্রিপসা ২-১দা থোইখ্রে। অজিৎকুমার অমদি ইন্দ্রজিৎনা সলামগী মায় পাকপগী গোলশিং চনবা ঙমখি।

# ষ্টেট সব-জুনিয়র কুরাশ টিম তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ২৪(ঐচএনএস): ছটিশগরগী রাইপুরদা থা অসিগী ৬তগী ৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা সব-জুনিয়র নেসনল কুরাশ চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াখিবা ওফিসল ৩ য়াওনা মীওই ১৫না শাবা ষ্টেট কুরাশ টিম য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সগোলবন্দ লুক্রাম লৈরক্তা লৈবা কুরাশ এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি সোইবম রনবিরগী য়ূমদা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা এল এলিনা সিলভর অদুগা এল কাইকু, টি ঐচ য়োহেনবা অমদি এন রাজনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, পুনেদা থা অসিগী ২৩দগী হৌদুনা চথরিবা ১৩শুবা ৱর্ল্ড কুরাশ চেম্পিয়নশিপতা শান্নরোয় ১ অমদি ওফিসল ১না শরুক য়ারি।

# সঙাই এম এম এ ঙসি হৌরগনি

ইম্ফাল,নভেম্বর ২৪(ঐচএনএস): সেভেন সিষ্টর ফাউন্দেসন অমদি য়ু এফ সী জিম ইম্ফাল অনীনা খূৎশম্ননা শীন্দুনা সঙাই ফেষ্টিভেলগী শরুক অমা ওইনা সঙাই এম এম এ ২০২২ খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৫ অমদি ২৬তা পাঙথোক্লগনি।

এম এম এ বাউট অসিদা পূন্না ফাইটর ৪৮না শরুক য়াগনি। মসিগী মনুংদা ইন্টরনেসনল ফাইটর ৮, প্রোফেসনেল ফাইটর ১২, এমেচর ফাইটর ১২ য়াওরি।

ইভেন্ট অসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনন্না অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোক্কনি। থৌরম অসিদা অতোপ্পা মিনিষ্টরশিংসু শরুক য়ারগনি।


SPOKEN ENGLISH

Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students

■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary

Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)

Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894

HL-B/7775/2/10,11,12/10-2/12(alt)



LOAN AVAILABLE
( No-Downpayment )


8 Lacs ফাওবগী মনুংদা লৈবা any Vehicles - Eco Van, Diesel Auto, Petrol Auto, Battery Auto, Cars and any two wheelers নচিংবগী ওইনা 100% finance without downpayment দা Loan লৌবগী খূদোংচাবা L.G. Motors Branch Office :- Thoubal, Kakching, Samurou, Nambol, Moirang, Sekmai অমসুং H.Q. (Khagempalli) দগী ফংবীগনি।

N.B. :- Kakching, Thoubal, Moirang, Nambol, Sekmai অমসুং Samurou গী ওইনা Office Asst. 2/2 অমসুং Gr-IV/Helper 2/2 পামজৈ।
# Samurou গী ওইনা Car Wash Helper/ Mechanic Helper 2/2 পামজৈ।

Sd/- L.G. Motors
Khagempalli, Imphal West
# 9774495994 / # 8731978490

HL-B/7893/21,23


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 639**

GM Luis Engel (2557) - GM Vincent Keymer (2672)
German Masters Magdeburg (3), 2022.08.18

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 d6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Nf6 |
| 5.Nc3 a6 | 6.h3 e5 | 7.Nde2 h5 | 8.g3 Be7 |
| 9.Bg2 b5 | 10.Nd5 Nxd5 | 11.Qxd5 Ra7 | 12.Qd3 Nd7 |
| 13.Nc3 Nf6 | 14.Be3 Rb7 | 15.O-O O-O | 16.Rfd1 b4 |
| 17.Ne2 Be6 | 18.Qxa6 Qc8 | 19.b3 Bd7 | 20.c4 Bc6 |
| 21.a3 bxa3 | 22.Rxa3 Nxe4 | 23.Rd3 Rc7 | 24.Qxc8 Rfxc8 |
| 25.Ra6 f5 | 26.g4 g6 | 27.f4 Kf7 | 28.Rb6 hxg4 |
| 29.hxg4 Ra7 | 30.Nc3 exf4 | 31.Bxf4 Ra1+ | 32.Rd1 Bd8 |
| 33. ... | | | |

**QUESTION :**
**White to defend**

**Puzzle 638 Ans. :**

38. Rxd6 Rdc8 39. Qxb8
Your moves:39. Qd8+
Qf1+ 40. Rxf1
38. Qe7 Re8 39. Qxd6 Qa4 40. Qc5 Qa6 41. Qd6 Qxd6 42. Rxd6 Kg7 43. Rd7 Rb2 44. R1d2 Rb1+ 45. Kh2 Reb8 46. Rc2 R8b2 47. Rxb2 Rxb2 48. Re7 Kf6 49. Rc7 h5 50. Rc6+ Ke7 51. Rc5 Kd6 52. Rd5+ Ke6 53. h4 f6 54. Rc5 g5 55. hxg5 fxg5 56. Kh3 Rb1 57. Ra5 Rh1+ 58. Kg3 Rg1
0-1


Regd. No.: KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)

SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
ADMISSION OPEN

REVISION COURSE for & FOUNDATION COURSE for
CLASS -X (BOSEM) CLASS -IX & X (BOSEM)
5th December, 2022 3/4:00pm 8th December, 2022 3/4:00pm

Our Position Holders of HSLC Exam 2022
1st POSITION 3rd POSITION 8th POSITION 18th POSITION



Laishram Rahul Meneka Huidrom Moirangthem Rex Singh Chingakham Italy Meitei

Form available at:
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm-7:30pm)
7005517081
7085521821

HL-P/4575/1-30/11


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com